## ৰারী মচা

# ৰা মপাল শারে

**সলাম বিক্রমজিৎ মৈতে**

কা অমখক্কী ইমুং পোদোন মুশি–মুশিবা অমখক থাল্লি। ৰাচেৎকী ফমুং মথক্তী পীক্লিবা মচাদু শুম্মী। রোইনি পোদোন মনাক্তা ফম্মী। নুংথিল পোবোপ্তা ছম য়ান্দুনা মচাদু পুদুনা পাম য়াল্লুবগী ৰারবনি। করি থোঙসিগে খল্লি। ফল্লাং অকোয়বদা য়ুম্বী মখোঙ মনাক্তা পান মরূ অহুমখক লৈবা উই। নহানমখৈ মনাও থোংখিবগী লৈহৌবা মরূনি। রোইনি চেংফু মখুম হাংই, মখুত্তুনা থিংজিন্দুনা চেঙফু মনুংদা অমুকসু ময়েংই। জীব কাঙলুপ তোঙানবা, মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না চীঞ্জাক তাংই হায়বদুনি। উপায় লৈত্রদুনা তুমিন্না অমুক ফমই। পান মরূদু অমা লৌদুনা খেৎপা হৌই। তাঞ্জাদুদা মচাদু হৌনা কপ্লকই। পান খেৎপা তোক্লগা মচাদু পমখৎলি। কপ্পা থেম্নবা মপান্দা থোক্লকই। লৈমন্দ্রদুনা পান মরূদুমক ফুত্তোক্লগা পীজগনি খল্লুবদা নুংশিমনখ্রদুনা মমাদু মপি তানা তানা মচাগী মমায়দা পংচুপ্তা চুপ্পী।

অতিয়াদা কোইরোক –কোইবা থাদু চাউরপ তৌবা থৱানমিচাক অমগা নক্লনা থোক্লি। মচাদু কপ্পা তেক্তে, রোইনি পারবা ফি মতেক অমা মখ্বাঙদা খ্বাঙচেৎ শেৎলম্বদু লৌথোক্কুনা পোয়। শুমাঙদা লেপ্তুনা রোইনি ইমুংগী মৈঙাল্লোমদা য়েংশিল্লি। মমিত্তা পান মরূ অমা খেৎপা হৌরম্বদুদে হেন্না উদে। মচাদু অমুক তুমথখ্রে। মচাদুদা মুন্না য়েংই। অৱাৎপনা থল্লবা মহাক মপূক্লিং নুংশিরদুনা মপি শীন্থরি, মচাদুগী মরাইবক্তা চুপ্পী। মওল–মওল খল্লকই। শুমাঙ মতোন্দগী চাউরপ তৌবা মরা য়াওবা ঊরূ অকংবা অমা লৈবদু উই। মদু মপুরোইবা চিংফোইনা হিংলিঙৈদা মকোক্তা থোঙ্গত্তুনা পুরকখিবনি। নুমিত্তো নীংশিংই।

“অসুক চাউবসিদি, ৰারম্লিনি, মঙ্গ্রা অঙানবা লৈ?”

“পুরক্কনু, য়োন্নপা থম্মু, ঈশিং ওইনা পুরকউ।”

নুপীদু চঙখি। ৰারদুনা ফিনা হুমাই হুম্লিঙৈদা মাগী নুপীনা ঈশিং পুথোরকই, মঙ্গ্রা অঙানবসু পুথোরকই।

“সে ইশিংসু থকউ, সিসু চাশল্লো, চোকথনসু উরে।”

“রোইনি নঙনা ঐগীদমক ৰাখিনিদনা ৰাজবসিদি…।”

“ঐগীদি, হন্না য়েংবদা নঙ নত্তনা অতোপ্পা কনা অমুক লৈরিগে, ঐদি নঙ হেক হল্লক্তবদা পূক্লিন্সংসে য়াম ৰায়, মীৎকুপ অমফাও পোত্থাফম খঙদে..।”

খঙহৌদনা লম্বীরোমদগী লোইচিং কৌবা খুনগী নুপা অমনা কৌরকই।

“তা –চিংফোই, কৈদৌরম্লিনো?”

মখোয়নীগী শান্নরম্বা ৰারীদু থুনা হঞ্জিনখি। অদুগা খোঞ্জেলগী মায়কৈরোমদা মায় লৈথোক্লরকই।

নুপাদুনা খুমই–

“ঐ! লোইচিং, কদাই চৎলুবনো? চঙলকখোও।”

লোইচিংনা লেঙবান্দা থাঙজৌ অমা হাইগত্তুনা, মকোক্তা কোকয়েৎ অমা য়েত্তুনা নোকফেৎ তৌনা চঙলকই।

“লোইচিং, পামদা চৎপ্রা?”

“হোয় ইতৈমা, শীং খরসু য়াল্লম্লে কোন্না লেরগেদনা ফৌদোকঅম্মে।”

“ৰারম্মনি, মঙ্গ্রা চাসি।”

লোইচিং কোকয়েৎ লৌথোকই, শ্বর শাংনা হোল্লি। রোইনিনা মঙ্গ্রা পী। চিংফোইনা ৰা মখা তারকই।

“নঙ লাকপা য়াম ফরে লোইচিং। হোরেন নুংথিল পুং মরিদা ইপা খুল্লাকপগী য়ুমদা ৰা অমা তান্নগদবা লৈ, লাক্তবা য়াদেকো।”

“তাদা করি লৈরে?”

“খুন্সে মহৈ লোয়শঙ অমফাও লৈত্রবদি হৌরক্লিবা অঙাংশিংসে লোয়না মাঙবা তারেদনা, লৈকাইগী চাউখৎ লূপ্পা খন্নরবা মতুংদা মরী লৈনবা মন্ত্রীদা চেথারগা প্রাইমারী স্কুল অমা শাননবা অয়াবা পীরে, অদুনা স্কুল শাফম চপ–চাবা অমা, ইপাগা ঐখোয় পুন্না খন্নবগীদমক ময়াম পুনদৌরিবনি।”

“এ! তাদা য়াম ফৈ, নুংঙাইবা পাউনিনে অদুদি। ঐ শোয়দনা লাক্কনি তাদা।”

“লোইচিং, হন্তক্তি নখোয় নয়াম্বসে মদুগী ইম্ফালদা চৎপদা য়ুমগী থবক্কা শুদ্রবনিকো।”

“হায়সু হায়বনি ইতৈমা, তা চিংফোইসে খুন্সিগীদি অতাঙবনি। ওক্তবা মখোয় অহুম –মরিসু তাদনা ফার–ফারগা ৰা শাবদৈ ভাব তাখ্রদনা প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমসু লৈরে। অসিগুম্বা চাউখৎ –লম্বীদা লাক্লিবসে তা চিংফোইনা চাউখৎলূপকী লুচিংবা ওইবদৈনে ইতৈমা।”

“লোইচিং, ইয়াম্বদি খুন্সিগী চাউখৎনবা থবক য়াম্না তৌনিংই, অদুবু হৌজিক্তিক নয়াম্বদি য়ুম–কৈসু পাল্লেদো..।”

“হেরা তাদা, অদুগীদি করিমত্তা ৰারুগনু। তাদগী মহুৎ শিন্নবা নচা–ননাও ঐখোয় ময়াম লৈরিসিদি। ’দুদি ঐ অমুক য়ৌখ্রগে, ইতৈমা চৎলে–চৎলে।”

নুপাদু চৎখি।

“রোইনি।”

“উম।”

“ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা অরাপ্পা মফমদা, য়াম ৰানা মহৈ তম্লকখি, অদুসু মপুং ফানা তমহৌবসু ঙমদে…। ইপানা কনবীরম্বা, অৱাংগী ঐখোয়গী পামসে হোরেন মীয়াম তীনবদা, স্কুল শাফম মফম ওইনবা কখোকখ্রগে হায়না খল্লে। নঙনদি করি খল্লিবা হা?”

“অপাকপা চীংমাই থিরদি অসিনদি ওই, নঙনা মীয়ামগী ফগনি খনবদো ঐসু অদুম য়াই।”

চর্চতগী কাংশি মখোল তাই। রোইনিনা নীংশিংলম্বা ৰাখলদু খঙমাং মাঙখি। শুমাঙদুদগী মখোরোমদা হৌরিবা ৰা চবুন্দুদা য়েংশিল্লুই। ৰা মপাল থাবলদা উই। মাগী নুপানা ৰা অয়ানবা চিংথোক্লি।

“ঙাইখো ঐগা চিংথোকসে।”

মচিন্দা খঙদৌনা হায়রুবদু চিংফোই লৈরমদ্রে।

মীৎ পাংনা পাংনা মঙলাক্লরে। তুমিন্না লৈ, ইচিক চিকখ্রে। তীন–কাংসু খোঙদ্রে।

“উসোইদো য়াল্লুরনুনে। ৰা চোং–ঙম্মরোই।”

“করিদি য়োন্নিংঙাই লৈ। য়ান্দা য়ারিব্রো।”

“নুমিৎ ফত্তবদা য়াল্লদি ৰা মপাল শারক্কনি অদুদৈ ৰাপলদু কংশিল্লক্কনি। থুমোক্তি কদায়দৈ শাদৌরি অঙাওবী, ৰা চবুনসিনা ঐখোয়গী হিংহল্লিবনি খঙজৌ। ৰা মখোঙদো লৈবাক খরা হাপ্পদৈদি খরদি চোংবা হেনগৎলক্লবনি।”

“ঐ হয়েংঙৈ য়াঞ্জররোই।”

“অদুই শরুক, শারিবা থুমোকসিদুম য়েংউ, নঙসু হৈহৌনবা।”

“ঐখোয়সিবু সুম ৰারনিকো?”

“হায়হৈদেহে। নুংঙাইগে তানখৎলকইসিদা। পূক্লিং – ৰাখল শোন্থগনু, মদুনা পুন্সিগী পান্দম মায়থিহন্নবগী অচৌবা মরম অমনে, কাউনুকো…।

নঙবুসু নুংশি, পুন্সিগী অৱাবগা, নুংশিবগা মরুপ ওইহনবদি সমাজবু অইংবনি হায়রসিরা? অদুগা মদু য়ারগনা শোত্থহৌরবা সমাজ হায়বদুদি ইন্নরক্লনি। নুংশিবসু মাঙলকপা য়াই।”

চিংফোইনা হিংলিঙৈদা মাঙ্গোলদা পৈয়া শী–শীদুনা থুম্মোক শানা –শানা ঙাংনখিবদো নীংশিংবদৈ পেন্দ্রদুনা মমিত্তগী মীপ লেপ্তনা শীন্থরি। মপি তৈথোক্তুনা অমুক য়েংথোরকপদা থঙনবা চীংমাই অদুগী নাপী মথক্কী লীক্লাদু থাবলনা য়ৈবদা মণি–মুক্তা ময়াম তাবগুম উরি। অমুক অতোপ্পা মায়কৈদা হাইদোক্তুনা য়েংবদদি য়াম্না থাপ্পদা লাম্মৈ চাকপা উই। ঙাকশঙ ঙাংনা চাকপদু উবদা মহাক পূক্লিং ৰাবা হৌরক্লে। মচাদু পোকপা নুমিত্তু নীংশিংলকই।

অসুম্না, কোইরুং খুন্দা রোইনিগী মপানা মশা ঙমদে হায়দুনা পাউ চেল্লকপদৈ পুন্না মতম খরা নুপী মপামদা লৈরিঙৈনি। কোইরুং, খুন অসিদদি খোঙনা চৎপদা খৌপুম তম্পাক্তগী নুমিৎ নিনিমুক চঙই। পোৎলুম পুবা গারীনা চয়োল অমদা অনীরক চঙই।

নোংমদি, মতমদু খুঞ্জাশিং মীচিক–মীরাওখোল তাখিদ্রে। মচা সংসারদা খোঙদারমদাই মীৎকুপ্পি। থঙনবা য়ুমগী নপী অনীসু লৈরি। তাঞ্জাদুদা কোইরুং খুনগী য়ুম অয়াম্বা মৈ চাক্লরকই। মীয়াম পুন্সি হিংজনবা চেন্নবা হৌরকই। চিংফোই মপান থোকই। মীকপ –মীরাওখোল তারকই। চিংফোই ইমুংদা পরপ–পরপ চঙশিল্লকই।

“কৈদৌনবা য়াওরগে?”

“কৈসু তৌদে।”

চিংফোইনা করিসু তৌদে হায়জরবসু চরাংনবগী মতৌদু উবদা রোইনি পাখৎপদৈ হৌগৎকে তৌই। শোল্লবা অনাবা মকুবোকসু তাঙ্কক–তাঙ্কক ফমই। চৈশু পায়খৎলি। নোংমৈ মখোলসু তারক্লে।

“ঐ কৈদৌদোইনো? ঐ য়াম ৰারে…।”

মহাক মমীৎ –মনা ইথক–থক্কৎলে। তাইবঙ ফওরক্কদৌরিবা মচাদুগী খনগদ্রা? মশাগী অৱাবা ফনবা হোৎনগদ্রা, শোল্লবা অনাবা মপাগী খনগদ্রা? মপুরোইববু নুংশিগদ্রা? লৈকাইগী মচে–মনেমশিংগী লাঞ্জেন্নবগী খনবীগদ্রা? পূম্নমক্কীদমক খল্লুরিবা ৰাখলদো ঈশ্বর মাগী খুদোলনি হায়না লৌরসিরা? অকনবা ময়াম্না মাগীদমক ৰাবীবা, হোৎনবীবা ময়ামসু করিনি হায়না অতোপ্পদা খল্লুনি। তশেংনা পূক্লিংগী ৰা অমগা –অমগা খঙনবদুনি।

মরোল লোন্দুনা মশা ৰাই শঙদ্রবী রোইনি কপ্লকই। চৈসু পায়বা অনাবা মকুবোকপু শেন্নগদ্রা, মশা ৰাই শঙদ্রবী নুংশিজরবী মাগী নুপীবু শেন্নগদ্রা তৌফম খঙদ্রে। য়ুম পরেং মৈৰাইনরকপদৈ লৈরিবা য়ুমদুসু মৈ ৰায়রক্লে। রোইনি মশাগী অৱাবা কাঙলুপ্‌কী ইরাংগী অৱাবগা পুন্না মায়োক্লরি। য়ুমথংনবা মচে–মনেমশিংনা রোইনিবু পুথোকখিদুনা লেঙম শাঙমদনা লাঞ্জেন্নবা য়াওখ্রে। মকুবোক্তু লেঙ্গোনদুনা মায়কৈ খঙদনা লাঞ্জেন্নবা য়াওখি। রোইনিনা মপুরোইবা অমসুং মপা নুমিত্তুদগী উখিদ্রে।

রোইনিনা চাক্লিবা লাম্মৈদু মুন্না য়েংদুনা ৰাখলদুদগী পিগী হৌরকফম ওইরি। থাগী মঙালদা খজাই অনীদা মপি তরং–তরং শীন্থরি। পি মরিক্তু মচাগী চীন্দা তপ –তপ তাই। মবুক লান্নবা মচাদু মমাগী পুক থনবা য়াররোইদবা য়াক্লবা পি থক্তুনা কপ্লকই। মচাদু করি পীজসিগে খনবদা মপূক্লিং হেন্না নুংশিরে। হীক্লা–হীক্লা কপ্তুনা মচাদু হুম –হুম থেল্লি।

“হয়েংদি থাপ্লবা কৈথেলদা করি য়োল্লুনি। ঊশোইসু চোংদ্রে। ৰা মপাল শারে। কংশিনখ্রনি ৰাপলসে…।” মথন্তা মচীন্দা শোঞ্জে। মতাংদু অতিয়া খঙমম মমই। নোংথক্তা য়েংখৎলি। লৈচিন–নোংফাইগী মপৈ–মচা অমনা পাক্লবা থাদু খুমজিল্লম্মী। থাদু ফনা য়ামনা পৈথরম্লে। ইমুংদা পরপ–পরপ মপি –তৈথোক্তুনা চঙখি। খেৎলম্বা পান মরূ লোয়ননা খেত্তুনা ফুৎলি। অহিংদুমা মচাদু পান অফুৎপা পীজদুনা তুমিন্নখ্রি।

নোং ঙানবগী উচেক্লা য়াকায়রক্লে। মপান্দা নুপী অমগা অঙাং স্কুল কারকপা অমগা ৰারী শান্নবা তাই।

“অবুং নঙবু স্কুল কারবো?”

“হোয় নেনে। ঙসিদগী কাবা হৌরে।”

“নোয় স্কুলদুবু করি মমিং কৌগে?”

“চিংফোই প্রাইমারী স্কুল কৌই হায় বাবানা।”

“ও! চৎলো–চৎলো। চিংফোইনা লৈরিঙৈদা খুন্সিগী ফনবা কন্না হোৎনজরম্বদুদা মাগী মিংদা থোনবা ওইরিনি। ও! নুংঙাইতেদা, হেক লৈজরম্লবদি ফগদবা…।”

অসুম্না ঙাং –ঙাংদুনা চৎখিবা, রোইনিনা ফমুংদগী তায়। মপিদি তাই, মখোলদি থোক্তে। অসুম্না রোইনি ৰারবসু মচাদুবু ঙাইনা পুন্সি লেনবা তারি।

## শৈরেং

### পুন্সি তাঙ্কক্কী মমল

*ওইনাম কুবের*

চাকলুক ময়াদগী মমানা
তান্থোকপীখি মিনু ফুদুনা,
বেমবেম চৈনাখোল ফাওহৌই,
মীৎলুদা ইরা চেলহৌই।
ঙা মচে অমা বেমবেমনা
য়েপশিল্লি ফনেক ফিরৈদা,
মিনুগীদমক্তা চেৎনা
কেরুক কেরুক য়েংদুনা।
নুমিৎ খূদিং পূংজা খূদিং
নুংশিনা শান্নমিন্নবা মিনু
মাতবু উই তাইবঙদসু মঙলান্দসু,
মাতনা হেল্লি পূম্নমক্তগী।
কোয়থি থিরুই মিনু!
কাংখদা ঙা মচেত্তু পীজে,
কাংখদগী চিংথোক্তুনা পমখৎলি
ইরা চেন্ন মীৎলুদা।
তনকৌ কৌই, ‘মিনু’
‘ঙ্যাউ’ খোঙলকই মিনু,
চেজেৎ কোনশিনবী মিনু
মায়গা মায়গা থেঙননা।
বেমবেম কপই লোন্না,
মমানা খঙই ফোঙনা,
মক্তিক্রবা ঙপ্নরোইদবা
পুন্সি তাঙ্কক্কী মমল।

### খন্দুনা লৈরগুমসি

*তোংব্রম শামুঙৌ*

কংলৈ লমদমসিগী ঈরৈচাশিং
নুংশিরবা কংলৈ খুন্নাইচাশিং
ঐখোয় তম্লসি হৈননবা
খঙমিন্নসি পুন্না ঐখোয়।
পূক্লিংদা ৰাখলদা খনবনা
ঙসি হয়েং হৌখিবা
মাঙজবতনি কংলৈ খুন্নাইসিগী
লেঙফদ্রবা কংলৈ ঈয়েক
মাঙহনফদ্রবা খুন্নাইসিগী লোনয়েক।
হৈগে খল্লি, তমগে নীংলি
খল্লিবা ৰাখলদা নত্তবা
হৈতবা য়াদে, খঙদবা য়াদে খল্লবা
নুং–পান অনী তুনা
লুদবনি করিসু লায়বনি
লায়থোক্লবু খল্লবদি পূম্নমক,
লুদ লুশিন্নবু খল্লবা
লুদবা লৈতবনি পূম্নমক
করিসু তৌবা ঙমদবনি।
ঙসি ঙরাংগী খোঙচৎনা
চৎখ্রবসু ইমাঙদা খঙহৌদনা
হয়েংগীদমক খন্দুনা ঐখোয়
হৈমিন্নরসি, খঙমিন্নরসি
খঙদবা, হৈতবা য়াদ্রবা
কংলৈ খুন্নাইসিগী ঈয়েক
কংলৈ খুন্নাইসিগী লোনয়েক।

### নখোয়গী খনবদা ইমা ঙাওরেনে

*করাম চাউবা মৈতে*

থৌনা ফবা শাবা ইমাগী পারি ইমোমসা
কুবের শাগৈ লুহুপ উপ্পদা ঙাওজবশা
নপাম লমদমদি মীগী ওইখিদৌরেনে
অশেম্বা, অশাবা পুৱা ৰারীশিংবু
মীগী মরোল ৰাইদুনা ইশিনখ্রেনে
মীতোপ লাইনিং ধর্ম্মদা ওনশিনখ্রে ।
ইকায়বা খঙদবা মীয়াম মীতোপ্পা
নিংথৌ ফম্বাল কাদুনা লৈখ্রে
নখোয় পোক্লুবগী মহৈনা ঙসিদি
খোঙদাফম লৈরক্তরে মীতোপ্পা থল্লে
মীতোপশিংবু হৌমিন কামিন্নরকপগুম্না
লেপ্পিনে ঙসিসু মখোয়গীদমক নখোয়না।
শকখিবা ৰাশক ঙাকপা ঙমদবনা
নিংথৌ ফম্বালসু মীতোপ্না ওইখ্রনি
কনবা ঙম্লরোই নরমদম প্রজাশিংবু
মীতোপশিংগী চিরোল দিমান্দ পরেং
হুক্লনি তারক্লবনি লোইবা নাইদনা
মপা মপু খঙদবশিং মনিং তম্লনিদো।
কুম্মৈ য়েংলিঙৈ খুনু কারেদো
মীতোপশিংবু থাজবা লৈরিমখৈদি
মাঙখ্রগনিয়ে মুৎখ্রগনিয়ে পোক্লফম লমদমসে
নহাকথক্তা অমুঙদি কল্লমবা থৌদাং
পুথোক্লকউদা পেঙ্গদে নমা ঐহাকসু।

## তাবুনুংদগী

*(মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতনা পুন্সিগী অহানবা তাঙ্কক্তা ইরম্বা ‘‘ঊনা’’ কৌবা অতেনবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।)*

### ঊনা

তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,
পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,
হে ঊনা! পূন্সি লোম্লমাল্লে,
ঊফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙ্গাওনরেদো।
নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,
মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,
শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,
তৌবিমল লমন শিংনরে নেৎপনা।

## মণিপুরী পাম্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১১৩। অঙাং মীঙম্বা**

– মতিক নত্তনা থবক তৌবা অঙাং, মী উশিত্তবা থৌওং

**১১৪। অঙাংনা মৈ কিদে**

– ফৈ ফত্তে করিনো খঙদবনা তৌরিবা থবক্তু অকিবা লৈতবা।

**১১৫। অঙাংগী পুন্সিদি অপেৎপা লৈখোমগুম্বনি।**

– নৌরিঙৈদা শেম্নিংবা মওংদা শেম্বা য়াবা মতম।

**১১৬। অঙাংবা মৈ পীবা**

– খূদোংথিবা ওইবা য়াবা থবক অঙাংদা শিন্নবা।

**১১৭। অঙাংনা য়ুম মৈ থাবা চাকহৈদে হায়বা লৈব্রা**

– মাঙবা–তাকপা য়াবা থবক্তি অঙাংনসু অদুম তৌবা য়াই। পীক্লিঙৈদা ৰারক ৰাতেম্বীহৌবগী কান্নবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ অরোইবা খোঙচৎ**
**অইবা ঃ থোকচোম মণিহার (সোনি)**
**ফোঙবাঃ অশাংবম কম্ম্যুনিকেসন**
**মমলঃ লুপা ২৫০ /–**

সোনি হায়না শক খঙনবা মণিপুরী সাহিত্যগী অইবা থোকচোম মণিহার সিংহনা ইবা লমকোয় ৰারী ‘অরোইবা খোঙচৎ’ হায়বসি লমায় ১৩২ পাল্লি, মমলনা লুপা ২৫০ পীরি। লাইরিক অসি খৃষ্টকী কুম ২০০৬ তা অহানবা ওইনা অশাংবম কম্ম্যুনিকেসন, ইম্ফালনা লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফালদা নম্লগা ফোঙবনি। লাইরিক্কী মখুম্না নেষ্ট এদভরটাইজিং এজেন্সি, ইম্ফালনা শেম–শাবনি। সোনি মণিপুরী সাহিত্যদা থোইদোক হেন্দোকপা কন্ত্রিব্যুসন কয়া তৌরিবা বাংলাদেশতা পোকপা অদুগা মণিপুরদা মহৈ–মশিং তমখিবা মতুংদা কনাদাগী মেন্ত্রিয়ালদা সেটলমেন লৌদুনা লৈখিবা মণিপুরী ডাইএস্পোরা রাইটর অমনি। ‘অরোইবা খোঙচৎ’ হায়রিবসিনা অইবনা ইরিবা লমকোয়বগী ৰারীগী মথং মথং চত্থরক্লিবা অসিগী অরোইবা শরুক্তি হায়না লাইরিক্কী ৰাহৌদোক্তা পল্লি। পুন্সি হায়বসিনা হাইপর, ৰার্ল্ডসিনা সাইবোক ৰার্ল্ড অদুগা বিজ্ঞানদনা নানোগী য়ুগ অসিদা অঙকপা হায়বদু লৈত্রবা মতমসিদসু ষ্টৌনহেঞ্জেগী নুংগী মরোল মরোল লোনখৎনদুনা শেম্বা ষ্টুপশিং অঙকপা ওইরি ফোঙদোক্লি। ইরিবশিং অসিদা গাইদবুক অমদি ইতিহাসকী মচাকশিং য়াওদে হায়না অইবা মশানা হায়জরবসু ইতিহাসকী শক–তারিখ, চৎলুরিবা মফমশিংদুগী ৰারী–ৰাখোঙ, ইতিহাসকী থৌদোক, মহৌশাগী ফিভম পূম্বা ময়েক শেংনা য়েকই। ইংলন্ডগী খ্বাইদগী চাউবদা অনীশুবা হিথাংফম ওইরিবা সদামটন, পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা জর্ম্মনগী হিটলরনা বোম থাদদুনা থুগায়খিবা, টাইটানিক ফিল্মদা বৃটিশনা অনসিঙ্কএবল নৎত্রগা ফোর্মিদেবলনি হায়না লৌনখিবা টাইটানিকনা ১৯১২ গী এপ্রিলগী ১৪ দা পেসেঞ্জর অমদি ক্রু মেম্বর ১৫১৩ গা লোয়ননা, মীওইবগী নাপলগী সিম্বর ওইরিবা হিসিনা সমুদ্রদা আইসবক্তা থেঙজিন্দুনা সমুদ্রগী ঈথক–ঈপোমশিংগী শান্নবুং ওইখিবা পূম্বা লাইরিকসিদা ময়েক লানা উৎলি। পৃথিবীগী ওইনা ধর্ম্ম, জাৎ, মরোল অমদি চৎনরোল মান্নদ্রবা মীওই কয়াগা লোয়ননা থেঙনরকখিবগী চরিত্র অমদি থৌদোকশিং লাইরিকশিং লাইরিক অসিদা য়াওরি। নোংচুপকী সভ্যতা কয়াগা শক খঙনরুবা মতুংদা নোংপোক মায়কৈদা চৎননবা থৌরাং পায়খৎপা লাইরিকসিদা থেঙনগনি।

মণিপুরগী মহৌশাগী মমল য়াম্লবা লনশিং, পোক্লফম বাংলাদেশকী মহৌশাগী ফিভম অমদি পুন্সি মহিং অসিনচিংবা কয়াবু অইবনা চেকশিন্না য়েক্লবা হোৎনরি। গৌহাটিদা রতন থিয়ামগী ‘ধাতু সংহার’ য়েঙলুবদগী মরৈবাক্কী কলা কৃষ্টিগী ফজবা কয়ানা অইববু শুক্ষৎখি। গৌহাটিদা ফোঙবা চেফোং ‘ইচেম্মা’ গী এদিটর ডা. ফুরিৎশাবম বীরমণিগা উনরুবা, ক্যামখা মন্দির য়েঙলুবা, গৌহাটিদা নুমিৎ মরিনি লৈরিঙৈ মতমদুদি মেমোরিগী খোঙ্গুল লীবা ওইনা থোকই। নীংশিংই–ব্রক্ষপুত্রগী তোর্ব্বান্দা অরুনা ফুকোন মখোয় অনীগী অপাম–নুংশিগী ৰারীনা মুৎঙমদনা নীংশিংবগী ঈচেলদা মশেক–মঙাল নাইনা ঙান্দুনা লৈরিবদু। অমুকসু চৎলুই মতম খরা মহাক্কা নুংশি–নুঙোলগী খোঙলোই ওইরম্বী কনাগুম্বী অমগী ময়ুমদা, অদুবু পূম্নমক অদু হৌখিবগী নীংশিং ঈচেলদা তাহৌবা মমি নত্তনা অহিংবগী ইনিলদি খক লৈয়ু হায়বা য়াদ্রবনি। অইবনা মশাগী অনেম–অৱাং লৈবা চরিত্রগী মনুংদা থোকখিবা অৱা–নুংঙাই কয়াগী ময়েক লারবা স্মৃতি–অপোকপা অপোকপীনা লৈখিদবা, তা নরেন, আক্কু, প্রিটি পটেল, শ্রাতি বেনর্জি অমদি বক্ষপুত্রদগী শমথরকপা বুরিগঙ্গা তুরেল তোর্ব্বান্দা তাবা সাইন ১৩০ কোনবা ঢাকা মশক অমসু ইৎনবা হোৎনরি। সেপ্টেম্বর ২৪, ২০০৩ দা ঢাকাদগী ইন্দ্রপুরী মস্ত মাউন্টেন কিংদম নেপালদা পুং অমমখায়গী লম্বীদা খোঙশাল্লি। নেপালিশিংগী ব্যবহার ফজবা, মোং হাদবা, চীং–লেম্বা মতৌবু অইবনা শীংথারি। অইবগী ‘অরোইবা খোঙচৎ’ হায়রিবা লমকোয় ৰারী অসি চুম্নতগী লমকোয়বগী খোঙচৎ অমবু চুম্নতা য়েকপা নত্তে, পুন্সিগী মরমদা খরা হেন্না কুপশিন্না য়েঙশিল্লকপগী মীৎয়েংসু য়াওরি।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***জুন ২৬,২০১৬, নোংমাইজিং***

লৈমরোল খোর্জৈকোল, অশম্বীদা লৈকোলগী ২৬ শুবা চহীগী মীফম, দিএম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্টরগী হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা লূপ অসিগী নৌনা খল্লবী প্রসিদেন্ট, প্রোফেসার নহাকপম অরুনা দেবীনা থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনবিখি। মথংদা অনৌবা টার্ম অমগী সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরগদবী ডা. মায়া নেপ্রমনা চহীগী রিপোর্ট পাথোকখি।

থৌরম মপুগী ৰারোলদা ১৯৯০ গী মতমদগী মণিপুরদা নুপী অইবীশিংনা ইবগী ইহৌ লাকপা হৌরে, মতমদুদা মাঙজিন থাখিবী লমদমসিগী নুপী অইবী অহুম থোইবী, বীনোদিনী অমসুং প্রমোদিনীগী মরমদা নীংশিংলদুনা ঙসি লৈকোলনা য়ৌরক্লিবা অসি ফাওবগী মরমদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা বীনাপানি থোকচোম, লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টনা ইবা ‘‘নুংশি ৰারী’’ হায়না মিংথোনবা নোভেল লাইরিক অমা লোয়ননা লৈকোলনা চহীগী ওইনা পুথোকপা চেফোঙ ১২ শুবা মশীংসু মীয়ামদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখি। ডা. কে শান্তিবালা দেবী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লাইরিকসিগী মরমদা ৰা ঙাংখি।

মথংদা খ্বাইরাকপম অনন্দিনী দেবীনা ৰাতেম্বী ওইনা লেঙশিনবিদুনা নুপী অইবীশিংতগী ওইবা শৈরেং শৈদিন্নবা অমা পাঙথোক্লদুনা থৌরম পরেংদু লোয়শিনখি।

***জুন ২৬,২০১৬, নোংমাইজিং***

ওইনাম বীরমঙ্গোল, শক্লাইরবা আর্টিষ্ট রূপমহল থিয়েটরনা ইবা মহাভারতকী শকুনি ৩ শুবা, ৪ শুবা অমসুং ৫শুবা শরুক্কী লাইরিক হৌনবী মতুং ইন্না রূপমহল থিয়েটরগী ওদিটোরিয়মদা চীং–লেম্লবা থৌরম অমা পাঙথোক্লদুনা ফোঙদোকখি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা শরতচান্দ থিয়াম, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি, কৈশাম হেরামণি, চিয়ারমেন, রূপমহল থিয়েটর অমদি ওইনাম বীরমঙ্গোল অইবা মশানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা ফম্বাকথক্তা লেঙশিনখি। থৌরমসিদা অইবনা মশানা হিংলিঙৈদা ফোঙবা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্রা হায়না ৰানা খঞ্জরম্বদু ময়াম্না মতেং পাঙবিবদগী ফোঙবা ঙম্লে হায়না পূক্লিংগী অপেনবদু মীয়ামদা থম্বগা লোয়ননা মতেং পাঙবিখিবশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অইবনা রূপমহলবু মথংগী মপোক্তা ফাওবা মসিগী আর্টিষ্ট ওইজনিংই হায়না হায়খি।

**রাজেন খুমুকচম**